এডিটোরিয়েল

খুদক্কী ঈচাউ

ঙরাং–নহানখক্তমক নোং কন্না চুবদগী মণিপুর তুরেল অয়াম্বগী ঈমাই চাউখৎলকপা অমসুং মরুওইনা ইম্ফাল সিটি এরিয়া মনুংদা চেল্লিবা অচৌবা তুরেল অমনি হায়বা ইম্ফাল তুরেলগী ফীভম অকিবা ফংনা চাউনা চেল্লকপা অমসুং মফম কয়াদা তুরেলগী তোর্ব্বান ৱাংমা লান্না চেল্লকপা হায়বসি করি মরমদগীনো হায়বা ঙসিগী লৈঙাক্লা থিগৎফম থোকই। ঈশিং হায়বসি অতোংবা মফমদগী অকুৎপা মায়কৈরোমদা চেন্থবা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুবু মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ৱাটর বোডিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা হায়বসি তুরেল ওইজরবসু তুরেলশিংগী খোংনুং অসিদা মতম শাংনা শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং পৈশিন্দুনা থম্লবা হোৎনবগী থৌশিল অসিমদি ইরৈ–লৈতবগুম তৌই। থাইনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈবাকসিগী মনুংদা লৈরিবা তুরেলশিং অসি চহী কান্ন–কান্নরগা খোংনুং তেংবগী থবক তুরেলগী নাক–য়েত্তা খুন্দারিবা মীওইশিংনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা লৈরম্মী। মতমদুদা তুরেলশিংগী খোংনুংদা ফত্ত–হাওদি হুন্দোকপগী থবক অসি চৎনরমদে। শা–ষণ শিরবা ফাওবা য়াম্না লুনা কোম তৌরগা ফুমজিনবগী চৎনবী লৈরম্মী। হায়রিবা মতমদুদা তুরেলগী ঈশিং অসি মপান্দা তারিবা খুঞ্জাশিংগী শীজিন্ননবা ঈশিং ওইনা লৈরম্বনি। খোংনুং তৌথোক্লবনিনা চেন্থখিগদবা ঈশিংগী শরুক অদুমখৈ চেঞ্জখ্রবসু মতম শাংনা লিদুনা লৈহৌবা য়াবা ঈশিংগী শরুক অদুদি অদুমক কন্দুনা লৈহৌই।

হৌজিক্লা ঈচাউ লাক্লগা তুরেল তোর্ব্বান পাথোকপা অদুগা ঈচাউগী ঈশিং হেক লাক্তবগা তুরেলগী ইমায় অসি হন্থখিদুনা শীজিন্ননবা অফবা ঈশিং অমত্তা লৈতবগী ফিভম অমদা লাক্লি। মসিগীদমক ৱাটর হার্ভেষ্টিংগী মায়কৈদা মীৎয়েং চঙনবগীদমক মমাঙগী চহী কয়াদগী পাউ–চেশিংনা মীৎয়েং চিংশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু হিরম অসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীবগী মহুত্তা ঈচাউদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তোর্ব্বান থোনবা অমদি নুং চনশিনবগী থবক হায়বসি রিটেন্নিং ৱাল না ঈশিং ঙাকহনবগী থৌরাংখক্তমক পায়খৎপগুম তৌই। করিগুম্বা খোংনুংনা য়াম্না লুনা লৈবা তারগদি ঈচাউ লাকপা মতমদা ঈশিংগী ভোলূম অদু অদুমক তোর্ব্বানশিংনা পুবা ঙমগনি হায়না খল্লি। মদু নত্তদুনা খোংনুং থেনগৎলগা তোর্ব্বান শেম্বনদি কান্নবা কয়া পুরক্কদবা মান্দে অমদি পুরক্তে হায়বসি ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা অসিনা তাক্লবনি। হৌজিক তোর্ব্বান ৱাংমা লান্না চেল্লকপা ঈশিংনা মরম ওইরগা ইরম–খোংলমশিং থনগৎলক্তুনা চেন্থফম লৈতবদগী মরুওইবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়া লৈরিবা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি অতৈ এরিয়াশিংদা ঈশিং থুমজিনখিদুনা ওফিসিয়েল ওইবা থবক কয়া মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্লে। হায়বদি ইরম–খোংলম অমসুং ঈশিংগী লেভেল অসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা হন্থরক্লবা মতমসিদা ঈশিং লৈনা–লৈনা ঈশিং য়োক্তুনা থমহৌদবদগী ঈশিং তাংবা ষ্টেট অমা মমাঙগী চহীশিংদা ওইখিবা অদু অমুক হঙ্গৎনা য়েংবগী মথৌ তাই অমসুং ইরম–খোংলম পূম্নমক অসি তেংথোক্তুনা অফবা ঈশিং চেন্নবা অমসুং য়োক্তুনা থম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়াম্নসু ৱাটর বোডিশিংগী খোংনুংদা ফত্ত–হাওদি হুন্দোকপগী থবক অসি ইশা–ইশানা খঙনা থিংনবা হোৎনবগী মথৌ তাই। মসিদা লৈঙাকসিনসু ফত্ত–হাওদি পৈশিনফম মশিং য়াম্না থল্লগা মদু দিস্পোজ তৌনবা হোৎনহন্নিংই। খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্বদি ৱাটর বোডিশিংগী খোংনুং অসি লুথহন্দুনা তঙাইফদবা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হায়বসিনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

অঙকপা ষ্টেট ওইরে মণিপুর

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈবাক অমগী ষ্টেটনি মণিপুর য়াম্না ঙকপা ষ্টেটনি, ওইথোক্তবা হায়বদু ষ্টেটসিদা লৈতে। অদুনা স্বর্গগী লৈবাক হায়না কৌনবসু য়াই। তশেংনদি স্বর্গগী লৈবাক্নি। স্বর্গগী লাই খুদিংমক মাগী মাগী তৌবা ঙস্বা মগুণ লৈনবগুম ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমকসু মাগী মাগী তৌবা ঙস্বা মগুণশিং লৈনৈ। কনাগী লৈঙাকপসু মীচমসু মীচম্থু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা পুলিসসু , গারী মপুসু, গারী–দ্রাইভরসু গারী হুরানবসু থিকাদারসু, লেবরসু, মোহোরিসু, লৈকাইসু, ক্লবসু, ক্লবগী প্রসিডেন্টসু, সেক্রেটরিসু, মেম্বরশিংসু অরায়বা অমত্তা য়াওদে। ডাক্তরসু নর্সসু অনাবসু অনাবগী কাংবুসু, চরা হেনবীসু, চরা হেনবী শেন্নরিবসু লোয়ননা সরকারসু মানা মানা থোকপা পংপান্দা পান্নৈ, পংহিংদা হিংনৈ। আইন হায়বা য়াম্না ফজবা চৎন–পথাপ অমা লৈ হায়দুঙাই – কনাসু আইনগী মশক মুন্না খঙনদে। আইনদি লায়রদনা তমথীরবা সিফাইগী নোংমৈ গুলি ফাওবা ফি খল্লগা ঙাকথোকপা য়াবগুম খন্নৈ–করিসূ নাচুংনদে। অদুবু মীনদি শোন্নৈ মণিপুর ভারতকীদি “স্বীটজরলেন্দ” নি। খঙদে স্বীটজরলেন্দ হায়বদুবু লম মমিংলা নৎত্রগা অঙাওবা থেম্নবা নিংথীবা ৱাহৈ ৱাতারা?

হয়েংতা ঙাইরে অনৌবা মণিপুরগী পুৱারীদা মতম অমদা পাল্লম্বা লৈঙাকপদুনা লমদমসিবু মতম কুইনা শেমদোকপা ঙল্লরোইদবা য়াম্না চরক চহিং নাইবা ফৎখিদ্রবা তাঙ্কক অমদা থম্বীরম্বনা ঙসি ফাওবা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবনি হায়রগদবা। ফত্তবা নিংথৌ অমগী ফৎখিদ্রবা লৈঙাক্লা ফৎখিদ্রবা লমদম অসি ওইহনখিবনি হায়না পুৱারীদা ময়েক শেংনা ইনরক্লগনি।

প্রজানা খনবা মীহুৎনা লৈঙাকপা ষ্টেটসিদা প্রজাবু হং–লাই ওইহন্দুনা লৈঙাকপশিংনা মতম খুদিং প্রজাদগী নাথৈদুনা লৈরিবসিবু করম্বা রাজনিতিগী লাল্লোং ওইরমগদগে। পীবা ফমসু নত্তবা সুপ্নগী চহী ৫ খক্কী মীহুৎ মানা খল্লীবসি করিনো? মসিদি ইকাইবা খঙদবা, মায় থাখ্রবা মীওইশিংগী শাজৎ ওইফম থোকই। হয়েংতা ঙাইরে ভোৎকী ভীক্ষারী ওইগদবা শেঞ্জাও চবুন পুথোক্তুনা। স্বর্গগী লৈবাকসিগী হোংদোকপা ঙমদ্রবা চৎনবীনি। প্রজাগী চাকথুং–ফিথুংদা রাজনিতি শান্নৈ। প্রজাগী সেবাদা ঐগী মী মাগী মী খায়বা পুকচেল চেল্লিবসিনা কনানা উশিৎপীগনি। ভোৎ ময়া ওইরক্লবদি বার্ত্তন ফংবা ফংদবা কন্সটিটুয়েন্সিগী মফম খুদিং দেব–কর্ম্মা, নাহুৎ নারেং চীখদনা চৎলক্লগনি। তাৎ পাৎনা রাজনিতি তৌবদা অচোপ অরেম খঙনদবা স্বর্গগী লমদমনি হায়বদা হেক্ত পকচরবনি।

হৌজিক্তি মরেক মহাও থোক্ত্রবা মীয়ামসু ৱাখল চোইরক্লমাল্লে, তৌহৈদবা, তাহৈদবা ঙাক্তগী পাউনা পাউ–চেগী চাকথাক হুল্লে। শর্মিলাগীদমক্তা ইকাইজে, জেসি আই পি এলগীদমক নুংনাংই, ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট না কেন্দ্র থুংনা চরাংনহল্লিবসিদা পেঞ্জদে। পুন্নমক্তগী হেন্না নুংঙাইতবদি তানা তানা উনা–উনা–তাশিন উশিন্নদবগী হৈনবী লৈরবা সরকারসিনি। মরিল লৈতবা সরকার অমনা অচুম্বা তৌরক্কনি হায়বসিদি মঙদা মংগ্রা তাম্বগুম্বনি।

অদোমগী
বিসি খুমন
ইম্ফাল

‘মহৈরোইশিংগী কম্পিটিতিব স্পিরিততা মাইয়োন চুম্লকপা’

“মতাং মতম্না কনাবুসু ঙাইবীদে। মতাং মতম চানা লাইরিক পাহৌদ্রবা মার্ক ৱাংনা ফংহৌদ্রবা কোন্না লাকপা বুধিনা তক্সি শোন্দুনা তোক্লগনী। মতাং মতম চারিঙৈ লাইরিক কন্না পাসি, মার্ক ৱাংনা ফংসি। হৌজিক্তগী হেন্না মরু ওইবা লাইরিক পান্ননবগী অতোপ্পা মতম লৈতে”

টিঐচ উদোই লুৱাং

মাইপাকপসিদা নুংঙাইবসিমুক নুংঙাইবা অতৈ করি লৈরিগবা! মীওইপোকসিদা শিংনবশিংবু মাইপাকপা মীপূম খুদিংমক্তদি থোক্তে। মী পূন্নমক্লা মীরক্তা মীথোই মীহেনবা, মায় পাকপা পাম্মী। অয়াম্বা মীওইশিংনা মাইপাকপা হায়বসি হোৎনজমন্নী খংনা খংনা থৌৱা ইশা শানদবদগী তক্সি শোনদুনা তোক্লবনা অয়াম্বনী। মীথোই মীহেনবা মী অমা ওইহন্ননবগীদমক মমা মপাশিংনা হেক ঙল্লিবমখৈ মচাশিংবু শেন্নবীবা অমদি মহৈ মশিং তম্বগী হীরমদা অয়ৌবী থাদুনা শরুক য়ানরিবনি। মহৈরোইশিংগী মরু ওইবা শীংনবা ক্লাস তুয়েল্বগী ফাইনেল এক্সাম হায়দোরকপগী রিজল্টদা মকোক মথং তারবশিং,পোজিসন হোল্ডর তারবশিং অমদি এক্সিলেন্স ফংলবা মহৈরোইশিংগী মমা মপাশিংনা কয়াগী মতিক হরাওজরমগদবা! নুংঙাইজরমগদবা! ইচা পোকচবগী মহৈ য়াল্লে খল্লমলোইদবা কনাবু য়াওরিদগে। শাগৈ–নাতৈ, কৈরোই–লৈকাই, বারি–শম্বন্দ মরুপ মপাংশিংগী মমাংদা থম্মোইগী মোমোন মীনোক তমলমলোইদবা কনাবু লৈরিদগে। থেংনরুবা উনরুবা পূন্নমক্লা উৎপীরকপা ইজ্জৎ শন্মান ব্যভারশিংদুনা ইচা পোকচবগী মীরক্তা ঙন্নমক মহৈ য়াল্লবনী। অমুক্তা খল্লুদ্রবসু মাইপাকপগী মীৎকুপ লাক্লবদা মীয়ান্না উৎলক্লিবা থম্মোইগী ওইবা মীনুংশিগী থৌজালশিংদুনা মহৈরোইশিংগী থম্মোইদা অনৌ অনৌবা আশাগী ময়োল চোংহল্লগনী। অচেৎপা ফীরেপ লৈহল্লগনী। অকক্লবা পান্দমগীদমক শক্তি লৈরবা থৌনা লিংজেলগী মৈরী চুখৎলক্লগনী। তুম্বা চাবা খংদনা অৱাবা কোংঙাই খাঙদুনা ৱানা লাইরিক পারুরবসু মীয়ান্না থৌজালগী ইরিক খিকপীরকপদা অৱাবশিংদো অমৃতগা চপ মান্নরগ্রোইদবা মাইপাকপা মহৈরোই কনাবু য়াওরিদগে ?

কাউন্সিল ওফ হায়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ২০১৭ কী একজামিনেসন থার্চ তাং ২০ দগী এপ্রিল তাং ২১ ফাওবা চৎখি। মে তাং ২৩ দা এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যান্না এগজামিনেসনগী ফল লাওথোকখি। হৌখিবা চহীশিংদা পাস তৌরবা খুদিংমকপু ক্লালিফাইদ হায়দুনা চৎনরম্বদু হন্দক্কী চহীসিদদি মকোক মথং রেঙ্কশিং মচা খায়না লাওথোক্লী। মহৈরোইশিংগী মরক্তা কম্পিটিটিভ স্পিরিৎ অমা নৌহৌননা শাগৎলক্লনবগী শিংথানিংঙাই ওইবা খোংথাংনী। পরিক্ষা হায়দোকখিবা নুমিৎত্তগী ঙসি ফাওবা প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াশিংদা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোইশিংগী ৱারি লিখুনশিং নোংমা কাংদনা ফোংদোরক্লী শিংথানরি। মদুগীসু মথক্তা মীথোই মীহেন্না মাইপাক্লবা মহৈরোইশিং অমদি মমা মপা য়াওনা ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াশিংদা পুথোক্তুনা হোৎনরকপগী মওং মতৌ মাইপাকপগী তমজনিংঙাই ওইরবা ৱারি শিংবুন অমসুং পুন্সিগী পান্দমগী মরমদা ৱরি ৱাতাই শানদুনা মীয়ামদা খংহল্লী। হৌরক্লিবা মহৈরেরাইশিংদা হোৎনিংবগী থৌনা মীথোই মীহেননিংবগী ৱাখল্লোন্নচিংবা অচৌবা ইনোৎ খরদি শোইদনা পীরগনী।

নারক্তা শাৎপা কেতুকি–শিঙ্গারৈ, লাইরেন লৈবা পাৎয়াইদা শাৎপা থরো–থম্বাল করিবু চন্নফম লৈরিবগে। হৌখিবা চহীশিংদা ফোংদোক্তনা থমলম্বা মহৈরোইশিংগী রেঙ্ক এন্দ ফাইল, এচিভমেন্টশিং কনানসু উবিখিদে, খংবীখিদে। মশক থোক্লবা মহৈরোইশিং কাউন্সিলগী সিস্তেমদুগী মনুংদা লূপশিন্দুনা থম্বীখি। ফীভমসিদা য়েংবা য়াই। থৌনাফবা কনাগুম্বশিংনা অকি অখং য়াওদনা হেক্লকপা কেতুকি–শিঙ্গারৈ, থরো–থম্বাল পুন্নমক পাম্লোইদবা কনাবু য়াওবগে। অমনবা সিস্তেমনা নমশিন্দুনা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোইশিংগী এচিভমেন্টশিং নমশিন্দুনা থম্লরবসু ২০১৭ ইংদগী অনৌবা সেক্রেতরি, চেয়ারমেন্না শৎ লাওনা ফোংদোরকই– মহৈরোইশিংগী এচিবমেন্টশিং মকোক মথং অমসুং রেঙ্কশিং। মীপুম খুদিংমক অথোই অহেনগী মকোক মথং, মাগী মাগী ষ্টেতস তশেং তশেংনা উজে। মহৈরোইশিং খক্তা নত্তনা স্কুল স্কুলশিংসু কম্পিটিটিব কী অনৌবা স্পিরিৎ অমা নৌহৌননা লাকলগনী। রেঙ্ক হোলদর মহৈরোইশিংগী স্কুলসিংসু মীয়াম খংনা ফোংদোকপীরবনীনা ওজাশিংদা অচেৎপা ফীরেপ খরদি লাক্লগনী। মাগী মাগী স্কুলগী মহৈরোইশিং না হেন্ননবগীদমক থৱাই য়াওনা তাক্লিংবগী অমদি থৌনা লৈনা শিংনবগা লোয়ননা তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎথোরকপা য়াবগী থাজবা লৈ। মসি কাউন্সিলগী অনৌবা সিষ্টেম্না পীবা খুদোল ওইগনি।

নিংশিংবা য়াই অনৌবা সিস্তেম অসিনা শাফোংবীদুনা হন্দক হায়দোকখিবা ক্লাস তুয়েল্বগী কম্মস স্ত্রিমদা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা মহৈরেরাই ৫৬৫ না পরিক্ষা থাখি। ফাষ্ট ফাইভ পোজিসনগী মনুংদা মহৈরোই ৬ য়াওনা পুন্না ৩৭৩ পার্স তৌখি। মসিগী মনুংদা ৪ শুবা পোজিসন সি সি হায়র সেকেন্দরী স্কুল গী মহৈরেরাই থৌনাওজম লোইয়াঙম্বা মৈতৈ, কৈবী খুলেম মখা লৈকায়দগীনা তাখি। লাইরবগী পনখৈ মখাদা পোক্লুবনা মশানা হাজিরা শুদুনা লাইরিক তমজরকপা মশক থোক্লা থৌনা ফবা মপারী মহাক্কীদমক মতেং পাংবা ঙম্বা লুচিংবা কয়ামরুম লেপ্তুনা থোরক্লী। হাজিরা শুবা তোকহন্দুনা চনিং লৈতানা লাইরিক মখা তমহন্নবগীদমক অমদি মহাক্কী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং মপূং ফানা ফুদোকহন্দুনা সমাজ অসিগী মশক নাইবা লুচিংবা অমা ওইরক্লনবগী আশা থম্নদুনা মঙোন্দা মতেং পাংলিবশিং পনবা য়াই। ১. এম এল এ লোকেশ্বরনা লেপতোপ ১, অমদি লুপালিশিং য়াষ্ঠে। ২. এম এল এ জয়কিশন্না লুপা লিশিং তরা। ৩. চীফ মিনিস্তর না লুপা লিশিং য়াষ্ঠে, লুপা লাখ ২গী বেঙ্ক লোন, হাউসিং স্কিমগী মখাদা লুপা লাক্ষ ১.২০ য়ুম শানবা পীগনী। ৪. পিছ এন্দ দিবেলপমেন্ট কোওর্দিনেতিং কম্মিতিনা লুপা লাক্ষ অমগা লুপা চাম্মা। ৫. এম পি পি না লুপা লিশিং তরা, ৬. মঙাল রুরেলনা লুপা লিশিং তরা, সোলার হোম লাইতিং। ৭. ইচন্নসু মিংজল শেল পুথোকপগা লোয়নননা থা খুদিংগী লুপা লিশিং অহুম স্কোলারশিপ পীরগনী। ৮. গিতচন্দ্রা শর্ম্মানা লুপা লিশিং তরা পিখিবা পনবা য়াই।

সাইন্স স্ত্রিমদা অপুনবা মহৈরোই ১৯২৫২ গী মনুংদা ১৩১৯৪ পাস তৌখি। ফাষ্ট তুয়েন্টী পোজিসনগী মনুংদা মহৈরোই ২৯ লাকখি। চীংলেম্বা চিংথান্না মেসি এক্সপ্লোরর একাদেমি চাঙাংঙ্গৈ উচেক্লোন, স্কুলদগী ১১ শুবা পোজিসন লেপখি। চীংলেম্বা চিংথামগী হৌখিবা পুন্সি ৱারিসি য়ান্না পুক্লিং নুংশিনিংঙাই ওই। মহাক্লা ক্লাস তু–থ্রী তমলকপদা মপা লৈখিদ্রে। লাইরবগী পনখৈ মখাদা খম থেংনা ৱারবা ইমুংনী। চীংলেম্বনা অহল ওইরগা মনাওনুপা অমা, মচন নুপী অমা লৈ। মমা লুখ্রাবীনা অফং অফংবা শুদুনা য়ান্না ৱানা হীংজবা ইমুংনী। চীংলেম্বা মশাসু লৌউবগী থবক ইনখাং অমদি হাজিরা শুদুনা য়ান্না ৱানা ক্লাস তেন ফাওবা তমলকখিবনী। মহাক্লা স্কুল হেক তম্বদগী ক্লাস তেন ফাওবা মমানা লাইরিক অমদি স্কুলগী য়ুনিফোর্ম অমা ফাওবা লৈবা ঙমলক্ত্রবসু মীঙোন্দগী লাইরিক ৱাইরগা পারকখি। মীগী অমনবা ফীরোলশিং শেৎ চাদুনা কিলোমিতর অহুম মখায়মুক লাপ্পা সুগনুদা লৈবা এম গঙ্গা একাদেমি ফাওবা খোঙনা হঙ্গৎ–হন্দা চৎতুনা লাইরিক তমলকখি। সুগনু পুলিস স্তেসনগী মনুংদা লৈরিবা অপিকপা খুঙ্গং ‘চজিং খুনৌ’ হায়বা লমদুদা মহাককুম্বা ইমুং লৈরমলোই। থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানিংঙাই ওইরিবদি, মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ফওবনা স্কুলদা নিংথিনা লাইরিক তম্বা ফংদে হায়দুনা মমা মপাশিংনা মচাশিংবু ক্লাস তেনদা মার্ক ৱাংনা ফংননবা সবজেক্ত খুদিংমক্কী তুইসন থিন্নরি। মমা–মপা, অহল–লমন পূন্নমক্লা মচাশিংগীদমক হেক ঙমজবী থাদুনা য়াম্লবা খরচ তৌবদা নত্তনা গারী অচৌবা মচাশিংদা থিন্দোক থিনজিন তৌনরীবনি। পরিক্ষা ময়াশিংদদি গর্ভনমেন্টকী থবক তৌবশিংনা ছুতি লৌনদুনা মচাশিংবু কোইশেন শেন্নরিবনী। অদুবু সমজেক্ট অমত্তসু তুইসন তৌবা ফংলকখিদ্রবা লের্ন্তন ফাওবা লৈবা ঙমদবদগী সুপ্নগী পোদোন অমখক থানবগী মৈঙালদুদা লাইরিক পারকখিবা চীংলেম্বা চিংথান্না ক্লাস তেনগী একজামদসু সবজেক্ত লোইনমক্তা লেতর মার্ক ফংখি। মহাক্কী তৌবা ঙম্বা শক্তি খংবীরদুনা মেসিনা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্ব ফ্রীদা তমহনখি। হন্দক্কী তুরেল্ব একজামদসু ফিজিক্স, কেমিস্ত্রি, বাইওলোজি, এম আই এল, অমসুং ইংলিশতা লেতর মার্ক ফংখি।

য়ান্না থম্মোই শোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি, মচাশিংগী মাইপাকলপদা হরাওরোইদবা মমা মপা কনাবু লৈরিদগে। মচাশিংনা পুন্সিগী মশক থোকপা ফীরেপ লেপ্পা য়াবা অরুবা পরিক্ষা লেমজনিংঙাই ওইনা মাই পাক্লকপদা ইচা পোকচবগী মহৈ য়াল্লে হায়দুনা মথুম মরাং হৌবমখৈ হরাওনরিবনী। অদুবু চীংলেম্বনা মাই পাকলকপদদি মমানা থম্মোই শোক্লা মিৎলু পিরাং শিন্থরি। য়েংলু য়েংলুবদা উপাই ওইনিংঙাই শুকলৈ লৈত্রবা ফীভমসিদা মচাগী মাইথোং য়েংবা ঙমদবমখৈ মিৎলু পিরাং শিন্থদুনা তেংথারি। ইমুংগী লৈত লাইরা মশক মুন্না খংলবা ইচানা তৌগদৌরিবসি করিনো! ইচাগী মাইথোং উগনী খনবদা য়ুমদা হঞ্জিন্নিংবা পোক্ত্রে! ইচাগীদমক করি তৌগদবনো হায়বসু খঙদ্রে।

পুন্নমকসি ওইদুনসু লমদমসি পীজ–পীথক ফবা, মীনুংশি চাওবা থৌজাল হৈবা মীগী মশিংসু ৱাৎপদি নত্তে। মেদিয়ানা শাফোংবীরক্তুনা পুন্নমক্লা খংনরকপদগী হোৎনবা কনবা মথৌনা লৈবা চীংলেম্বগীদমক ঐ লৈরি হায়দুনা চোংথোকনরক্লি। পনবা য়াই, ১. পালিয়ামেন্তরি সেক্রেতরি (আই এফ সি দি) লেরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা লুপা লিশিং য়াষ্ঠে পীদুনা মহৈ তম্বদা মখা তানা মতেং পাংগনী হায়খি। মহাক্কী পাকখলগী য়ুম অদু নৌনা শাদোকপদসু মতেং পীগনী হায়খি। ২. ক্যামগৈ ময়ায় লৈকাইদগী এস সরতনা লুপা ২০০০, এস রাজুনা লুপা ২০০০। ৩. এম এল এ গী স্তাফশিং অমসুং ঝোরহাওগী জিবোন্না লুপা ৩০০০। ৪. গিতচন্দ্রা শর্ম্মনা লুপা ১০,০০০ মতেং পীনখি। চীংলেম্বা চিংথান্না আই এ. এস ওইন্নবগী অচেৎপা ফীরেপ থল্লি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা গুন অসি লমদম অসিগী য়েলহৌমিশিংগী খ্বাইদগী অতাংবা লন্নী খনবীদুনা মীয়াম হুপ্পা পৈশাগী মতেং পাংহন্নীংই। সুগুগী এম এল এ না মীয়াম খংনা মশক থোকপা দাইত্যা লৌবীদুনা চীংলেম্বা চিংথাম গীদমক অচৌবা কেম্পেন পাক সন্না চখদুনা শেল থুমগী অৱাৎপা মেনখৎপীবা হায়বসি খুনাইসিগী ভীজন লৈবা থবক্কী, লৈবাক শেম্বনী। হীরমসিদা এম এল এ গী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি।

আর্ট স স্ত্রিমদা পুন্না মহৈরোই ৬৩২২ থাখিবগী মনুংদা মহৈরোই ৪৪১৬ পাস তৌখি। ফাষ্ট তেন পোজিসনগী মনুংদা মহৈরোই ১২ লাকখি। সি সি হায়র সেকেন্দরি স্কুল স্তুদেন্ট য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেতরি ওইরম্বা হৌজিক্লা এমসু ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত কমিতিগী হ্যুমেন রিসোর্ছ দিবেলপমেন্ত সেক্রেতরি ওইরিবা বুস পেবম সেগা রোদ তখেল লৈকাইনা নিপালশুবা পোজিসন্দা লাকখি। ছাত্র অমা ওইনা মহৈরোই খুন্নাইগীদমক লৈবাক্কীদমক, য়েলহৌমীশিংগীদমক কখোকপগা লোইননা অচৌবা থৌদাংশিং লৌরি। আই এল পি এসকী ইহৌদা মাংজিল থাখি। থৱাইদগীসু ইমা লৈবাক্লা হেন্না লুই। য়েলহৌমী কনদবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ফীরেপ লৈজবা লমদমসিগী অতাংবা মপারিনী। পুলিশনা ফাদুনা তাকয়েলদা লৈবা জুবেনাইল হোমদা মীয়ামগীদমক নুমিৎ ১৬ নী লৈরুরে। মহৈরোইশিংগী লুপ্তা এক্তিভ ওইনা য়াওবা মীওইশিংসি লাইরিক লাইশু থৌৱা ইশা শাদবা ওইনা খন্নরম্বদু ব্রুস পেবন্না মীয়ামদা অচৌবা পারা অমা তম্বীরে। লাইরিক তম্বা হায়বসি হ্যুমেন প্রোসেসনী, ওল্ড রাউন্দ দিবেলপমেন্টনী হায়বসিসু মহাক্লা ময়েক শেংহল্লী।

অইবনা পুক্লিং চিংশিঞ্জনিংলিবদি, অফবা মরু চংবা, মগুন লৈবা , হোৎনবা কনবা ঐখোয়গী মী শেমহৌবনা তুংকোইনা য়েলহৌমিশিং কনবা ঙমগনী। লুপকী খেৎনবা লৈতনা মতিং লৈবা মীওইশিংসি শৌগৎমিন্নসি। অপূনবগী থৌনা পীমিন্নসি। মখোয়গী অৱাৎপা খুদিংমক মেনখৎপিসি। মহৈরোইশিংগী মরক্তা কপপিতিতিব স্পিরিৎ শাগৎনবা হোৎনবদা লুপশিংগী অচেৎপা ফীরেপ লৌহন্নীংই। মীথোই মীহেন্না ক্লাস তুয়েল্বকী একজামদা মাইপাক্লবা মহৈরোইশিংনা খংজিনবীগদবা ৱাফমদি, মিনিষ্ট্রি ওব হ্যুমেন রিছোর্স না কাউন্সিলদগী এক্সিলেন্স ওইনা পাস তৌরকলবা মহৈরোই ১৮১ দা স্কোলারসিপ পরি। সাইন্স স্ত্রিমদা মহৈরোই ৯০, কম্মর্স স্ত্রিমদা মহৈরোই ৬০, আটস স্ত্রিমদা মহৈরোই ৩০ নী। চহী অমদা লুপা ১০,০০০(লিশিং তরা) চহী ৫ পীগনী। কাউন্সিলগী সেক্রেতরিনা নোদেল ওফিসারনী। পোজিসন হোলদরশিং অমদি এক্সিলেন্স ফংলবশিংনা এপ্লাই তৌদুনা হেক্তা ফংবা য়ারে। পাউ খংনদবগীরা নৎত্রগা কদাইদনো অশোইবা অমদি লৈরে। মমাং চহীশিংদা মহৈরোই ২৯–৩০ দগী হেন্না স্কোলারশিপকীদমক এপ্লাই তৌনখিদে। খুদোংচাবা অসি লায়রিক মখা তমথবদা খ্বাইদগী মতেং ওইগনী। অথুবা মতমদা এপ্লাই তৌবীহৌবা ফৈ। মসিগীসু মথক্তা ইউ জি সি গী মখাদা ইশানা উদোয় নোথ ইষ্ট স্কোলার্সিফসু পীরি। জেনেরেল মহৈরোইশিংগী থাদা লুপা ৫৮০০ অমসুং প্রোফেসনেল মহৈরোইশিংগী চাওরাক্লা লুপা ৭৮০০ রোন্নী। অতুম্বা নোংশাগী খায়াত্তা শজিনা চোংশিন্দবগুম মহৈরেরাইশিংনা খুদোংচাবশিংসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

মপান লমদা লৈবা মণিপুরগী লমশিং

কে এন সিংহ

মণিপুরগী মরমদা খঙবা মীওই খুদিংমক্তি, ঙসি মণিপুরনা ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা ‘করিনো তৌরিবসিবো’ হায়না ইঙক–ঙক্লরমগনি! নোক্লীংবা পোকপসু কয়া’মা য়াওরমগনি। মণিপুরদা হিংনরিবা তংদু লৈতানদ্রবা পুন্সিশিংনা নংনরমগদবা অৱাবা ফীভম কয়াগীদমক্তা অকী–তুজুংবা পোক্লা নুংনাংনবীবা কয়া অমসু য়াওরমগনি। অমরোমদা, ঙসিগী মণিপুরনা ওইরিবা মশক কয়া অমগীদমক্তা মীরম মীগী মীমাঙদা মায়থোঙ ঈচপমুক ঙাঙশীনখৈ ঈকায়জবা পোক্তুনা উপাইদি লৈত থম্মোয় প্রোক প্রোক চাকখৈ খাঙনরিবা মণিপুরবু নুংশিজবা মণিপুর মচা কয়া অমসু শোয়দনা লৈরমগনি।

মণিপুরনা ঙসি ওইরিবা অৱাবগী মশককশিং অসিদি লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা ইতিহাসকী ঈচেলনা তোরৈ অমদা নৈশিল্লবগীনি। লাই ৱারীদা রাবন, কংশগী য়ুগ থূপচিনখিবগুম, পৃথিবীগী অনৌবা ইতিহাসকী ঈচেল–ঈরৈদা হিটলরগী ন্যাৎসিগুম্বা কয়া চেন্থখিবগুম, তোরৈ লান্থোরকপদা অনৌবা ঈপোম তাংথক নাইবা অরুবা ঈচেল থেংনরকখিবসু য়ারি। (আশাগী ৱারি! চেন্থরিবা ঈচেল কংখিদুনা মণিপুর ইতিহাসকী লামায় হায়বসিমক থূপচিনখিবসু কনানা খঙবা! মসিদি মণিপুর মীয়ামগী অপূনবা মীৎয়েং অমসুং ৱাখল্লোনগী মখা পোন্না মতম্না পুজরক্কদবা ৱাফম ওইজরসনু। ময়াম অসিগীদমক্তি লমদম অসিদা লৈরিবা অমদি লৈরক্কদৌরিবা মীয়ামগী শক্তি পায়বা লুচিংবশিংগী কোক্তা কোক্তাগী মখা পোনগদবা ৱাফন্নি। মখোয়দা মীচম কনানা করিদি হায়রু–তাকলুবা ঙমগনি! মণিপুরবু নুংশিজবা, মণিপুরগীদমক ৱাজবা মীয়ান্না তৌবা ঙন্নগদবদি শূপ্নগী আশাখক্তনি!)

অদুবু ঙসি, মণিপুরবু নুংশিজবা মণিপুর মচা অমনা মণিপুরগীদমক মীরম মীয়াম মমাঙদা মায় থাঙ্গৎপা ঙমদখৈ তশেংনা ইকায়বা পোক্লরিবা ৱাফমশিং অসিদি পীশক পীশকপা মক্তনি। চাউরাকপা পরীং অমা শেমদুনা নৈনরগা মীয়াম অমদি মণিপুর সরকারগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙম্লগদি কোকহনবদা ঈরায়–লায়না থোক্কদৌবা ঙাক্তনি। মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা মরমদম মণিপুরবু নুংশিজবগী অশেংবা ঈগী ঈচেল খর–খরতা ওইরসু চেন্নরিবা ওইরগদি, অদুগা মণিপুরদা মীয়ান্না মশাগী মীহুৎ খঞ্জদুনা লিংলিবা সরকার অসিদা মরী লৈনবা শক্তি পায়রিবা মীওইশিংগী মরক্তা মণিপুর অমসুং মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা তশেংনা খনবা মীওই অমা–অনীদংবু য়াওরম্বা থোক্লবদি কোকহনবদা মতম চঙলোয়দবা ৱাফম মচা মচা ঙাক্তনি।

মণিপুরবু নুংশিজবা মণিপুরগী মী খুদিংমক্লা হৌজিক্তা মণিপুরগীদমক মীরম মীমাঙদা মায় নোনখৎ ঙমদখৈ ইকায়জফ মথোক্লিবা, ইকায়বসু পোক্লরিবা ৱাফম খরমখৈ শম্পৎনা য়েংবা য়াই–

১. ভারতকী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মনুংদা মশাগী ‘ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট’ হায়বা অমা হিংহনবা ঙমদবসি মণিপুর মথন্তনি। মণিপুর মচা অমা ওইনা ইকায়নীঙাই ওইদবরা!

২. মণিপুরগী ‘লাইফ লাইন নি হায়রিবা অদুগা নেস্নেল হায়ৱে (নঃ৩৯) অমসু ওইরিবা ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বীনা য়ূমথঙনরিবা নাগালেন্দ মনুংগা য়েংনরুবদা মণিপুর মনুংদা হৌখিবা চহী কয়াদগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিবু মীরমগী মীনা করি খন্নরমগদগে! মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্বু অনৌবা য়ুগ অসৈগী মনুং চল্লিবা মীনি হায়না লৌনবিরমগদ্র? ওম্থোক্লা ইকায়নীঙাইনি।

৩. ভারতকী মনুংদা লম্বী লমশাং চেনবা বসকী ভারা মীদা –মীদা য়েংলগা নৎত্রগনা তাঞ্জা–তাঞ্জাগী মতুং ইন্না পংলৌ –লৌবসি ইম্ফাল–দিমাপুর – গুৱাহাতি চেল্লিবা বসশিং অসিখক্তনি। অকক্লবা নিয়ম নাইদ্রবা হায়বসিনা চৎনবী ওই। করি মতৌনো! লৈবাক লৈঙাক্কী চৎনবী লোনচৎ (আইন–কানুন) হায়বা অমা লৈত্রবা, কাং–খোং চাইরবা মণিপুরগী অশেংবা মিংশেল ওইনা মীরম মীয়ামদা উখোক্লিবা বসকী খূৎপুনি। ইকায়জে।

অসিগুম্বা কয়া অসি পনবগী মহত্তা ৱারেং অসিগী মিংথোন ওইরিবা হীরমদা খ্বায়গী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরগে।

মণিপুরগা য়ূথংনরিবা ষ্টেট অমা ওইরিবা ঙরাংতা হৌরকখিবা মীজোরমগী ওইনা মশাগী মতীক চাবদগী চারবা ‘ষ্টেট হাউস’শিং লৈরক্লিবসি মশাগী খোঙদাফম ওইরিবা সিলচর, গুৱাহাটি, শিল্লোং, কোলকতা, ন্যু দেলহীদগী হেন্দোক্তুনা ভারতকী মনুংদা মরূ ওইবা সহর মশিঙ য়াম্রে। মণিপুরগী চূরাচান্দপুরদসু অমা শাবগী থৌররাং লৈখ্রে। মশাগী লম হান্নদগী লৈজরকপা অমত্তা নত্তে। মরমদম মীয়ামগী ওইবা য়াইফ তৌরাং ওইনা পায়খৎলকখিবা থবক ঙাক্তনি।

মণিপুরগী ওইনদি গুৱাহাতি, কোলকতা, ন্যু দিল্লি, মফম অহুমখক অসিদা ‘ষ্টেট হাউস’ লৈরি। দরকারগী মতুং ইন্নদি মণিপুরনা মপান লমগা শন্নবদা খ্বাইদগী অহানবা খোঙদাফম অমমম ওইনরিবা, মতম চূপ্পদা ওইদবসু য়াররোইদৌবা নাগলেন্দগী কোহিমা অমসুং দিমাপুর অমদি আসামগী সিলচরগুম্বা মফমদসু মণিপুর সরকারনা ‘মণিপুর ষ্টেট হাউস’ অমমম লিংবিফম থোকই হায়বসি মণিপুরগীদমক ৱাখল খরতা ওইরবসু খন্থনরিবা মীওই খুদিংমক্লা খন্নরিবা ৱাফন্নি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা, মণিপুরগী ওইনদি, চহী খুদিং মণিপুরী মীওই লীশিং লীশিংনা তীর্থ যাত্রিক ওইনা পন্থুংনরিবা বেঙ্গলগী নবদ্বীপ, ওরিষাগী পুরি, য়ু পিগী মথুরা অমদি বৃন্দাবন্দনচিংবা মফমদসু ‘মণিপুর ষ্টেট হাউস’ অমমম মণিপুরগী সরকারনা লিংবিবা থোইদোক্লা য়ারিবা ঙাক্তনি। অদুগা য়ুমথঙনরিবা মীজোরামনা মখোয়গী মপান লমদা লাইরিক লাইশু তম্বা, থবক ইনখাং তৌনরিবা অমদি অনা লায়েংগীদমক মপান লমদা চৎন–লৈনরিবা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক্তা শিল্লোং, চেন্নাই, বেঙ্গলোর, মুম্বাইনচিংবা সহরদা ‘মীজোরম ষ্টেট হাউস’ লিংবিরিবসিগুম মণিপুর সরকারনসু মান্নবা থৌরাং পায়খৎফম থোক্তবরা হায়বসিমসু মীয়ান্না খন্নরিবা ৱাফন্নি। সরকারনা দরকার লৈবা মফমদা ‘ষ্টেট হাউস’ অমমম লিংবা হায়বসি পূকচেলবু শেংনা চলাইরবদি ষ্টেটকী ওইনা ইনকমগা কোন্ননা ইমপ্লোইমেন্ট জেনেরেট তৌবা য়ারিবনি। অদুবু মায়কৈ অসোমদা মণিপুরগা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নরুরবদি ইকায়নীঙাই মশক্লি। মীগীনা মশাগী হান্না লৈজরমদবদু নৌনা লেপশীন্দুনা লৈহন্নবা হোৎনবনি, অদুগা মণিপুরগীনা অনৌবা লেপশীনবগীদি লায়রদুনা হান্নদগী লৈজরকপশিংবু ফুলং–কাঙ্কোক শান মাঙহনবা থৌওংনি। ৱাফম অসিগী মাঙদা তারিবা ময়েক লারবা খুদমদি শিল্লোংদা লৈরিবা ‘মণিপুরী রাজবারি’ অমসুং দিমাপুরগী ‘এম এস আর টিসি কমপ্লেক্স’ নি।

দিমাপুরদসু শিল্লোং অমদি গুৱাহাতিগুম মহারাজ চূরাচান্দ সিংহ সনা হাক্তক্তগী হৌনা মণিপুরগী ‘রাজবারি’ লিংদুনা লৈরকখি। খৃ !৯৪৯ দা মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্রগা ভারত সরকারগা তৌনখিবা মর্জর এগ্রিমেন্টকী শরূক অমা ওইনা মহারাজগী মরল মথুম তাকপা চেরোল (ইনবেন্ট্রি নোট) তা দিমাপুর অমদি গৌহাতিগী রাজবারি অনীমকপুদি মহারাজগী মরনাই মরল ওইনা পল্লগা শিল্লোংগীনা মণিপুর ষ্টেটকী প্রোপর্টি ওইনা উৎলি। মদু দিমাপুর অমদি গুৱাহাতিগী অদুনা মহারাজ চউরাচান্দগী মরনাই শেলনা লিংখিবা অদুগা শিল্লোংগী অসিনা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা ষ্টেটকী ওইনা লৈখিবা ওইবননি। অদুমওইনমক, খৃ ১৯৭১ দা ভারতকী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌদুনা চহী অদুগী দিসেম্বর ২৮ দগী চৎনবা হৌরকখিবা ‘কান্সটিট্যুসন (টুৱেন্টিসিক্স) এমেন্দমেন্ট বিল –১৯৭১’ গী মতুংদগীদি দিমাপুর অমদি গুৱাহাটিদা লৈরিবা মণিপুরী রাজবারি অনীসিতা নত্তনা নবদ্বিপ অমদি বৃন্দাবননচিংবা মফমদা মণিপুর মহারাজগী ওইনা লৈরকপা রাজবারি খূদিংমক মণিপুর ষ্টেটকী প্রোপর্টি ওইফম থোকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু করম তৌবনো! গৌহাতিগী রাজবারিদি লাইবক ফবদগী মৈতৈশিংগী খূত্তা তাহৌদুনা ঙসি ‘গুৱাহাতি মণিপুরী বস্তি’ হায়না খঙনদুনা মপান ফনা লেপ্লি, দিমাপুরগী ফুলারগঞ্জ কৌবা মফমদা ১৯৭০–৮০ গী মতম ফাওবা লৈরম্বা মণিপুরগী রাজবারিদি করম্বা মীওইশিংগী থৌশিংগীনো ঙসিদি মুৎখ্রে।

দিমাপুর মণিপুরগী রাজবারি মুৎখ্রবসু, দিমাপুরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ‘মণিপুর ষ্টেট ত্রন্সপোর্ট কোর্পোরেসন (এম এস আর টি সি) কমপ্লেক্স’ হায়না খঙনদুনা চাউরাক্লা ফুট ৯০০ অমসুং ২০০ রোমগী মরাক ময়ুংদা পাক চাওবা লম অমা কিন্থ–তেকথকরবা শঙশিংগা কোন্ননা মপূ পান্দনা লৈরি। লৈবাক ঈরাং ফনা য়ান্না কঞ্জরবসু, অৱাং নোংপোক লমদমগী মরূ ওইবা সেন্টর অমা ওইদুনা নোংম নোংমগী শন্দোক পাকথোলক্লিবা দিমাপুর সহরগী ময়োল মনুংমক্তা খৃ ১৯৬০ গী মতমদগী মণিপুর সরকারগী মরল ওইনা লৈক্লবা লম অসি হৌজিক্কী মতমদদি ওম্থোক্লা মমল তাঙলম্নগনি। অদুক্লসু, মণিপুর সরকারনা থৌশাবিদ্রবা লম অসি ঙসিদি দিমাপুরদা শক্তি লৈবা মীওই কাঙবুশিংগী মরক্তা শায়েন–ঙায়েন্নবগুম মচেৎ মচেৎ য়েন্নদুনা মশা–মশাগী মরনাই মরল ওইনা লেপশীন্নদুনা লৈরে। কমপ্লেক্স অসিদা লৈরকপা ক্লার্টরনচিংবা শঙ খুদিংমক লনাই মীওইশিংগী ইমুং লিংশিন্নখ্রে। গারী থাফ মওইনা হাংদুনা লৈরম্বা মফমশিংদনা লনাই ওইনা দুকা–হোটেল –ৱার্কসোপ নচিংবা শাগৎনদুনা হাংদোক্লরকখ্রে, খরা অমদনা নিয়ম লান্না মপানলোমদগী খোপচিন্দুনা লনাইগী অচৌবা বিল্ডিংগী শরূক ওইশিন্নরকখ্রে। মরক অসিদা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লৌবা য়ারা থৌওং অমসু ‘এম এস আর টি সি কমপ্লেক্স’ অসিবু শায়েন–ঙায়েন্নবদা য়াওরকপা থেংনরি।

দিমাপুরদা পোক–চাউদুনা মপা–মপু হাক্তক্তগী য়ূম্লীং – খুল্লিংদুনা লৈরক্লিবা মীশিং য়াম্মী। অদুবু কদাচিৎতা মৈতৈ খুল মচেৎ অমা অনীখক নত্তনা অতৈ লোইনমক্তি মশাগী পতা ইংখোলদা য়ুম্লিংনরিবদি অমত্তসু নত্ত্রি। নাগা ঙাক্তনি। অদুন্নমক, দিমাপুরদা মৈতৈ অহল লমনশিংনা (লাইওইবিখ্রবা কয়া য়াওনা) অপূনবা মৈতৈ খুন্নাইগী নাতকী মশক ঙাকচনবগী পান্দমদা লিংখৎপীরম্বা ‘দিমাপুর মৈতৈ য়ুনিয়ন’ হায়বা অমা মতম কুইনগী মমাঙদগী মশাগী শঙলেন য়াওদনা লৈরকখি।

মণিপুর সরকারনা চলাইবা ‘মণিপুর ষ্টেট রোড ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন’ শিখ্রবা মতুংদা ইহাং হাংহৌরবা কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা হান্না ষ্টাফ ক্লার্টর ওইরম্বা অপীকপা শঙ অমদা, ‘দিমাপুর মৈতৈ য়ুনিয়ন’গী মীয়ান্না মণিপুর সরকারগী অয়াবা লৌরগা খৃ ১৯৯৮ দগী হৌনা য়ুনিয়নগী ওফিস ওইনা সাইন বোর্ড থেক্তুনা থম্লকখি। অদুগা কমপ্লেক্স অসিগী চুথেক নাকন অমদনা মণিপুরী পূম্বগী ওইবা গেষ্ট হাউস অমা শানবগী থৌরাং তৌদুনা মণিপুররোমদগী য়াওনা মীয়ামদগী পৈশা খায়দুনা শাগৎপা হৌগৎখি। (য়ুনিয়নগী লৈজগদবা শক্তিগা মতীক মপা চানদনা কা হেন্না চাউনা শাগৎপা হৌরুবনা মরম ওইদুনা হৌজিক্কী ওইনদি নোংখাং চাদুনা লৈরিবা ওইজরগসু।) অদুবু হৌজিক্তি ‘দিমাপুর মৈতৈ য়ুনিয়ন’ গী ওফিস শঙলেননি হায়দুনা লৈজরম্বা অদুসু অঙম্বা মীওইশিংনা মুনবিখ্রে। অদুবু অকোয়বা শম্বল খাজীন্দুনা মীগী ইমুং লিংখ্রে। মীগী লনাই য়ুম ওইখ্রে। অদুগা য়ুনিয়ননা ৱানা শেনখায়–থুমখায় তৌদুনাশাগৎপা হৌরকখিবা লোইশিনবদি ঙমদ্রিবা গেষ্ট হাউস বিল্ডিংগী চঙফ মময়ামক্তদনা অঙম্বা অমনা অমাংশঙ শাজিল্লক্লবগী থৌরাং লাঙখৎলকখ্রে। অসিগুম্বা ময়াম অসিনা দিমাপুরদা মৈতৈ অমসুং অতোপ্পা জাতি কাঙলূপ খরগগী মরক্তা নাকপাক তানদুনা য়েংথীনবগী ফীভম অমা পুরকহল্লেহায়না লৌবা য়ারক্লে। মসি মনিপুর পূম্বগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনি।

দিমাপুরগী এম এস আর টি সি কমপ্লেক্সতা চহী খরগী মমাঙদাগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি মণিপুরগী সরকারনা ইখঙ–খঙশীন্নদনা অসুম লৈশিনবসি অচুম্বা থৌওং ওইরেইঁ হায়নীংই। মণিপুরগী সরকারনা মণিপুরগী অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা তশেংনা খনবীবা ওইরগদি তুং কোইনগী ওইবা অশানবা মীৎয়েং থম্বীদুনা কমপ্লেক্স অসিবু মণিপুর সরকারগীদমক কনবিহৌনবা থৌরাং পন্থদনা পায়খৎপিফম থোকই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরগী ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট লৈজদ্রগসু, কমপ্লেক্স অসিগী পাক চাউরবা মফম অসি নোস্নল হায়ৱে ৩৯ দা চেল্লিবা মণিপুরগী ট্রক গারীশিং অমদি বসশিংগী সিক্যুরিটি লৈনা ঙাইহাক পন্দুনা পোথানজফম ওইনবা থৌরাং পায়খৎপীনবসু মণিপুরগী ওইনা অচৌবা কান্নবা কয়া শেয়দনা পুরক্কনি হায়বসি থাজনীঙাইনি। নত্তনদি মরিপুরগী মপান লমগা শন্নবগী অহানবা খোঙদাফম অমা ওইরবা মণিপুরগী ওইনা য়ান্নসু মরূ ওইবা মফমঅমা ওইদুনতসু লৈরগদবা দিমাপুরদা ঙসিগী মণিপুর সরকারনা ‘এম এস আর টি সি কমপ্লেক্স’ কুম্বা মণিপুরগী মমল নাইদ্রবা লল অমা ওইরিবা পোৎশকঅমবু মফম–মরাঙ খঙদনা মাঙহনখিবা হায়বসি তৌহৈদবা, মথোঙ হুক্তবা থৌওং অমা ওইগনি।

হন্দক মণিপুরদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর মণিপুরদা লাকলম্বা মতমদা ৱাফম অসি হৌদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা কমপ্লেক্স অসি লৌশিন্দুনা মণিপুর গর্ভনমেন্ট তা শিন্নগনি হায়না থাজবা পীরম্বগী পাউ পাউ–চে শিংদা ফোঙনখিদু নুংঙাইবা পাউনি। মণিপুরগী অনৌবা সরকার অসিনা হিরম অসিদা মশক থোকপা থবক শোয়দনা লৌখৎলক্কনি হায়না অশা তৌরি।

বনো?